## শুগুনুগী ইমুং...

*লামায় ১গী মখা...* ফ্লেগশিং নুমিদাংদা যান্থৎপীরম্বসি যাম্না পাংদবগী থবকনি হায়রদুনা ষ্টেট অসিদা লো লৈতবগা চপ মান্নরে হায়না ফোংদোকখি। পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী খাঙেন্বম ওংবী লতানসু ইশানা পামজবা মীরেপকী ফ্লেগ যুংজবদা অসুম্না নুমিদাংগী মতমদা লাক্লগা যান্থৎপগী থৌওংসি যাম্না পেন্দে। ঐখোয়না কাঙলোন চুম্না মীখল পাঙথোকপা পাম্মী হায়খি।

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 84.520399 |
| US Dollar | 74.617872 |
| British Pound | 100.300468 |
| Australian Dollar | 54.080989 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.715412 |
| Japanese Yen | 0.650116 |
| Malaysian Ringgit | 17.846538 |
| Singapore Dollar | 55.109411 |
| South Korean Won | 0.062806 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.898099 |
| Thai Baht | 2.225905 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 47769.00 |
| Mumbai | – | Rs | 48600.00 |
| Delhi | – | Rs | 48382.00 |
| Kolkata | – | Rs | 48685.00 |

## GAS NEWS

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk. Uptodate**
Timing:6am to 10am
Home delivery no : 9366471778, 8974087390, 8787632782

**M/S BASHIKHONG INDANE**
**BOOKING UPT023/11/21**
VALID FROM14/11/21
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738 / 8794622868
OFFICE TIMING 7.30AM TO 11AM WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS.

**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK**
**BOOKING UPTO 05-11-2021**
VALID FROM 30-10-2021
**STK 306**
TIME 8:00 -11:00
HOME DELIVERY
DATE 25-12-2021
CONTACT NO - 7005695308, 6009772483

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
**BOOKING: BK. UPTO DATE**
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
7085198900 (ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only) Ujjwala connection available 20-12-2021 Update Gas Card With Fresh personal photo .
New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30 .
Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1. also available 19kg and 5kg. please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.
In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.For Christmas and New Year special offer is made for our Christian Brothers and sisters for refill send form no. 1 in our noted whatsApp no.

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTODATE**
14kg,19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
FIRST COME FERST SERVED
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI 9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-11-11-2021,**
VALID FROM 07-11-2021,
**STOCK : 1224**
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI,**
**BKING UPTO 16/10/21**
Valid from 9/10/21.
Stk 306,
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no. 8119073029/8974426830)

**TDK GAS**
**BK. UPTO 17/10/21.**
VF. 14/10/21.
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NOS. 6909614353/8731992324.
TIMING 9:00 AM. TO 3:00 PM.

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM

**KHUMBONG INDANE**
**BOOKING UPTO 28-11-21**
Only home delivery within 4 days
Office no.8794313865
Whatsapp no.8794973019
Time 7.30an to 11 am

**M/S K&K INDANE SERVICE,**
home delivery only
**Booking uptodate**
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465.

# কলচর ফোর অৱর ফ্যুচর হায়বা ঠিমদা পাঙথোকপা ফেষ্টিভেল লোইশিল্লগনি : বুধ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) :

কলচর ফোর অৱর ফ্যুচর হায়বা ঠিমদা কলচর ৱার্ক এক্টিভিষ্ট ফোরমনা চথরকপা মখল-মখা কয়াগী লৈরিবা আর্ট ফোর্মশিংগী ওইবা থৌরমশিং অসি ২০২১গী ওইনা লোইশিল্লবা মতুংদা কুমজা ২০২২গী জন্যুৱারি ২৯ অমদি ৩০দা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ককচিং লাইব্রেরি ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্লগনি হায়না কলচর ৱার্ক এক্টিভিষ্ট ফোরমগী প্রসিদেন্ট বুধ চিংথামনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উন্নবদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মমাংদা ইচম চম্না অসুমক পাঙথোকপা থৌরমশিং অসি অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট অমদা অমুক পাঙথোকপা চুপ্লে খনবদগী কুমজা ২০২২দগী হৌবা ওইনা জন্যুৱারি ২৯দগী ৩০ ফাওবদা পাঙথোক্লবা হোৎনবনি। ফেষ্টিভেল অসিগী মরুওইবা পান্দম খরগা লোয়ননা থৌরমশিং অদু পাঙথোক্কনি। ঐখোয়গী লৈমিন্নরিবা ফুরপ মশেলগী মরক্তা লৈরিবা কলচরগী মরক্তা অহাংবা খরা মেনশিনবা ঙম্নবগী পান্দমদা হোৎনবনি। ঐখোয়গী চেঞ্জেবল অমসুং ইনচেঞ্জিবল কলচরেল হেরিটেজশিং অসি ঙাক শেনবা অমদি মরেক মহাও থোকপা ওইনা হিংহন্নবা হোৎনবগী পাউজেল পীবা ওইনা ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোক্কনি।

মরম অদুনা ময়াম পুনশিন্দুনা উন্নমিন্নবা, কলচর তৌজরিবশিংগী মরক্তসু ইশা-ইশাগী কলচরেল রাইটশিং খঙমিন্নবগা লোয়ননা ঐখোয়-ঐখোয়গী অফবা তুংলমচৎ অমা শেমজনবগীদমক্তা হোৎনজবা অমসুনি। ঐখোয়গী কলচরগী লৈহাওদা ঐখোয়না খোঙফম চেৎনা লেপ্পবা মতমদা ফজরবা ঐখোয়গী কলচরগী মশক থোক্লা লৈহনবা ঙমগনি হায়বগী পান্দমদা চঙশিনবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# হীদাক কাপথোক্লবা মীশিং ২৩,০১,৪৫০ শুরে...

*লামায় ১গী মখা...* মীওইশিংগী মশীং ২৩,০১,৪৫০ (ফাষ্ট দোজ - ১৩,২০,৬৫৭ অমসুং সেকেন্দ দোজ ৯,৮০,৭৯৩) শুরে হায়রি।

লোয়ননা ঙরাং দিসেম্বর ২৭, ২০২১ ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা লৈখিবা হীদাক কাপথোক্লবা অপূনবা মীশিংগী চাংনা বিষ্ণুপুর - অহানবা দোজ ৬৮.৪৯, অনীশুবা দোজ ৪৯.৪৯, চান্দেল অহানবা দোজ ৬৬.৪৮, অনীশুবা দোজ ৫১.৫৩, চুড়াচান্দপুর অহানবা দোজ ৫৭.০০, অনীশুবা দোজ ৪৩.২৬, ইম্ফাল ইষ্ট অহানবা দোজ ৬৯.৪৮, অনীশুবা দোজ ৫২.৩০, ইম্ফাল ৱেষ্ট অহানবা দোজ ৭৩.১৩, অনীশুবা দোজ ৫৭.২৩, সেনাপতি অহানবা দোজ ৩২.৩৭, অনীশুবা দোজ ২৪.১৯, তমেংলোং অহানবা দোজ ৩৯.৯০, অনীশুবা দোজ ২৮.৭৬, থৌবাল অহানবা দোজ ৫৮.১১, অনীশুবা দোজ ৩৮.৫৬, উখ্রুল অহানবা দোজ ২৪.২৫, অনীশুবা দোজ ১৭.৭৬, তেংনৌপল অহানবা দোজ ৪৫.৭৭, অনীশুবা দোজ ২৯.৯২, কাংপোকপী অহানবা দোজ ১৯.৩৯, অনীশুবা দোজ ১২.৯০, কামজোং অহানবা দোজ ৩৩.৫৩, অনীশুবা দোজ ২২.২৫, জিরিবাম অহানবা দোজ ৭১.৩৬, অনীশুবা দোজ ৫৮.২১, ফেরজোল অহানবা দোজ ৩৩.৪৮, অনীশুবা দোজ ৩০.৯০, নোনে অহানবা দোজ ৪০.২২, অনীশুবা দোজ ২৮.৫১, ককচীং অহানবা দোজ ৭৩.২২, অনীশুবা দোজ ৫৪.৯৮নি হায়রি। অদুগা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপথোকখিবা মীওইশিংগী চাংনা চাদা ৫৬.৪১নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোক্লবশিংগী চাংনা চাদা ৪১.৯০নি হায়রি।

## কোলকটা ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা...

*লামায় ১গী মখা...* য়াওনবগীদমক খল্লক্লে হায়রি।

শুপ্নতগী মিনট ৭৫ শাংবা ফিল্ম অসি চীংদগী তাঙ্খুল নাগা অনম অহুম কৌবা মীওই অমনা মশাগী থবক থিনবগীদমক দেল্লীদা চৎলমদাইদা তম্পাক্তা লৈখিবী মচানুপী উন্ননবা হোৎনখিবদা থেংনখিবশিংদা যুম্ফম ওইবা ফিল্মনি।

ফিল্ম অসি ওলি পিকচরসগীদমক ৱারেপ্পম ঝন্সি রানি অমসুং হাওবম পবন কুমারনা পুথোকপনি। ফিল্ম অসিগী কেমেরা মেননা নেসনল ফিল্ম এৱার্দি ইরোম মায়পাক অমসুং রঞ্জন পালিটনি। সাউন্দনা সুকন্তা মজুমদার, এদিটিংনা সঞ্জ অমসুং ষ্টোরি, স্ক্রিন প্লে অমসুং দিরেক্সননা হাওবম পবন কুমারনি।

মমিং লৈরক্লিবা প্রদ্যুসর হাওবম পবন কুমারগী ফিল্ম 'লোক্তাক লাইরেম্বী' না কুমজা ২০১৬তা পাঙথোকখিবা ২২শুবা কোলকটা ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা নেটৱার্ক ফোর দ প্রমোসন ওফ এসিয়ন সিনেমা (নেটপাক) কী ওইনা বেষ্ট ফিল্মগী মনা ফংলকখ্রবনি অদুগা মহাক্কী 'নাইন হিলস ৱান ভেল্লি' কৌবা ফিল্ম অসিগী ৱর্ল্ড প্রেমিয়র শোনা মমাঙ থাগী ২৭তগী থা অসিগী ৪ ফাওবদা ইন্দোনেসিয়াগী যোগ্যাকর্টাদা পাঙথোকখিবা জোকজা-নেটপাক এসিয়ন ফিল্ম ফেষ্টিবেল ২০২১দা উৎখ্রবনি।

## এস টি দি সী এমগী টোটেল শটদাউননা...

*লামায় ১গী মখা...* তৌবশিং থিংদুনা হলহনখি। খোঙজং অসিগী মনুংদা মহৈশঙশিং থোঙ লোনখি। ইন্টর ষ্টেট অমসুং ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট চেনবা পেসেঞ্জর গাড়ীশিং চেন্নখিদে। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা পাওনা অমসুং থাঙ্গাল কৈথেলগী দুকানশিং, বি টি রোদকী দুকানশিং থোঙ হাংনখিদে। ওইল পম্পশিং থোঙ লোন্নখিবদা নত্তনা সিনেমা হোলশিংসু থোঙ লোনখিবগা লোয়ননা লীলা অমসুং দ্রামানচিংবা য়াওনা হরাও কুম্মৈগী থৌরমশিং পাঙথোক্লখিদে।

টোটেল শটদাউনগী খোঙজং অসিবু হেন্না কনশিলহন্নবগীদমক মসিবু শৌগৎপশিংনা কৈথেল অমসুং দুকানশিং লৈরিবা মফমশিংদা চৎতুনা থোঙ লোলহনখি। ইম্ফাল মনুংদদি হান্নদগী যাম্না হন্থনা মীওই খরখক অমসুং গাড়ী খরদমক চৎথোক চৎশিন তৌনখি। অমরোমদা পুলিসকী মায়কৈদগীসু পুং ১৮গী টোটেল শটদাউন অসিগী মনুংদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরকহন্দনবা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখি।

## চহী ১৩গী নুপীমচা ১ মীওই ২না...

*লামায় ১গী মখা...* ১গী নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা নুপীমচা অসিনা দুকান মনুংদা তূমদুনা লৈরিঙৈদা থোকখিবনি হায়রি। অদুম ওইনমক থৌদোক অদুগী ৱারী নুপীমচা অসিনা মহাক্কী অপোকপী মমাদা মতম চানা ফোঙদোরকখিদবা অমসুং থৌদোক অদুগী মতাংদা করি তৌগদগে হায়বদু খঙদবনা থৌদোক অদুগী রিপোর্ট চৎলিবা থা অসিগী অহানবা চয়োলদা খক্তা নুপীমচা অদুগী অপোকপী মমানা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ৱিমেন পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন্ট তৌরকখিবনি হায়রি।

মহাক্কী কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না ৱিমেন পি এস অসিনা থৌদোক অদুগী মতাংদা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুএল ওফেন্স (পোক্সো) এক্টকী সেক্সন ৬ অমসুং ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩৪গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ৪০ (১২) ২০২১ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়রি।

লোয়ননা থৌদোক অসিদা চেন্নবনি হায়বা উচিৱা লৈরক অচৌবদগী দয়ানন্দ হৈক্রুজম এলিয়জ দিয়া (৩৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা ঐচ ইবোচা মৈতৈ অমসুং শগোলশেম সনাহল (৩৭) অপোকপা এস মনি ফাগৎলে হায়রি। লোয়ননা কেস অসিগা মরী লৈননা ফারবা মখোয় অনীবু পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌদুনা ৱাহং পাউহং চথরবা মতুংদা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র পীবিনবা পুলিসকী মায়কৈদগী স্পেসল জজ (পোক্সো), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা প্রেয়র তৌরকপদগী কোর্টনা মখোয় অনীবু থা অসিগী ৩০ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌদুনা থন্নক্লি হায়রি।

# নুপীশিংবু স্কিল দিভেলপমেন্ট পীদুনা লৈহন্নবা হোৎনরগনি : বিজয়া

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : নুপীশিংবু স্কিল দিভেলপমেন্ট পীদুনা থৌনা হাপ্পা অমদি শেন্থোক লন্মী লৈহন্নবগীদমক্তা হোৎনদুনা লাকপা অসিদা ইন্দিয়া গ্লেক্সি নেসনল সোসল আইকোন ২০২১ অসি দিসেম্বর ২২দা পীরকখিবনি। মখা তানসু হেন্না-হেন্না হোৎনখিগনি হায়না বিজয়া চনু কাঙবমনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উন্নবগী থৌরম অদুদা বিজয়ানা মখা তারদুনা হায়, ঐহাক হৌজিক নোর্থ ইষ্ট ৱিমেন ওন্ট্রাপ্রেনর্স এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টসু ওইরি। খুন্নাই অসিগী নুপীশিংবু অহেনবা থৌনা লিংজেল হাপ্পবা হোৎনবা অমসুং শেন্থোক লন্মী লৈহন্নবগীদমক্তা লাকখিবা অসিদা শকখঙবিদুনা ভিবরেন্ট কনসেপ্টনা শিন্দুনা মিসেস ইন্দিয়া গেলেক্সি সোসল গেলেক্সি ২০২১ অসি ন্যু দেল্লি ওসিন পর্ল গার্দেনিয়াদা পাঙথোকপা থৌরমদা চৎলিবা থাসিগী দিসেম্বর ২২দা পীবনি। মসিসু নোর্থইষ্টকী ওইনদি ঐহাক্না অহানবনি। মরম অদুনা ঐহাক্না ফঙজরক্লিবা মীংথোল অসিসু নুপী খুন্নাইদা কৎথোকচরি। নুপীশিংনসু হেন্না থৌনা লৈবা অমসুং হেন্না হোৎনহন্নিংবগী লৌশিং কয়া হাপ্পসু ওইরসি হায়খি।

লমদম অসিদা লৈরিবা নুপীগী খুন্নাই অসি অদুক্কী মতিক শোৎথবা অমা ওইদুনা লাক্লিবনি। ইরম কয়াদা য়েংলুরবসু অদুমক শোৎথবা ওইরি। নুপীশিংনা মীমাং থোক্লা থবক অমা তৌননবা হোৎনবা মতমদা নুপী খুন্নাই খক্তা নত্তনা খুন্নাই অসিনা পুক্লিং থৌগৎপিবা চঙই। মীমাং থোকপা নুপীশিং হায়রগদি থবক থৌরমদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবা মরম্না নেম্না লৈরিবা নুপী খুন্নাইনি। অদুবু নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসিদি অসুক্কী মতিক চাওরি। লৈবাক অসিগীদমক্তসু থৌদাং কয়া লৌদুনা লাক্লিবা নুপীশিংনি। মরম অদুনা নুপী অমা ওইনা ইশাসু থৌদাং লৌজবা অসিদা মশক খঙবিবা হায়বসি লাকপনি। মখা তানা নুপীশিংনসু চোঙথোকপীরক্নুা ইচঙ থৌনা মথং-মথং মণিপুরগী নুপী খুন্নাইনা লৌনবসু হোৎনমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

## পুলিস কষ্টদি লৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস):

ঙরাং অযূক নোংমৈ মচা অমগা কোন্ননা স্পেসল কম্মান্দো য়ুনিট খাবৈশোইগী কাঙবুনা সেগা রোদ থৌদা ভাবক লৈকায়দা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং চথবদা ফাগৎখিবা মীওই অদু ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মায়কৈদগী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা নুমিৎ মঙানিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা কোর্টনসু অয়াবা পীখ্রে।

নোংমৈগা কোন্ননা ফারবা মীওই অদুগী মমিং মৈত্রম সনাতোম্বা এলিয়জ সনা মৈত্রম (৪২) কৌই, সেগা রোদ তখেল্লম্বম লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা এম ইবোপিশক্কী মচানুপানি। মহাক্কী মথক্তা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা আর্মস এক্টকী সেক্সন ২৫ (১-বি) গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ২২৯ (১২) ২০২১ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়রি।

পুলিসনা মঙোন্দগী সিম কার্দ য়াওবা মোবাইল ফোন (এপল-আই ফোন ১৩ প্রো মেক্স) অমসু রিকোভর তৌরে হায়রি।

## মহৈরোয় নরগিস হাৎপদা চেন্নবা মচিন ...

*লামায় ১গী মখা...* সিরাজ অহম্মদ কৌই। লিলোং হাওরৈবি মখা লৈকায় কোঞ্জিলদগীনি হায়রি। অদুগা মহাক্না লোয়ননা ফারবা অতোপ্পা মীওইশিং অদুনা মহাক্কী মচননুপী চেসম সমতুরা (২৩) অমসুং মনাওনুপা চেসম মুসা (২১) নি। সিরাজুরগী মচননুপীগা মনাওনুপাগা ফারিবা অসি মখোয় অনীনা মীহাৎ অদু খঙনা খঙনা কনাদসু হায়দোক্তনা লোৎশিনবগী মরালদা পুলিসনা ফাবনি হায়রি।

মখোয় অহুম্মক ঙসি থৌবালগী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেটকী কোর্টতা পুথোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চথনবগীদমক নুমিৎ ৮নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌরে হায়খি।

এস পিনা ফারবা মীওই অহুম অদুবু পাউমীশিংগী মমাঙদা পুথোক্লদুনা ফোঙদোকখিবদা থা অসিগী ২৩গী অযূক পুং ৯ লোম তারকপদা লৈখিদ্রবী নরগিসকী অপোকপনা লিলোং পি এসতা মহাক্কী মচানুপী নরগিস অসি থা অসিগী ২২গী নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তারকপদগী মফম খঙদনা মাঙখ্রে অমসুং মহাক্কী মরী-মখোঙ থিবীয়ু হায়দুনা রিপোর্ট তৌরকখি হায়রি।

মহাক্কী রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না পুলিসনা কন্না খোঙ্গুল লীবগী থবক চথরিঙৈগী চৈরক্তা নরগিসকী অশিবা হকচাংবু নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহল্লবা মতুংদা হাৎতোকপীরম্বা মানবগী চিংননীংঙাই ওইবা মওংদা ঙরাং অযূক পুং ৭.৪৫ রোম তারকপদা লিলোং হাওরৈবি মখা লৈকায় কোঞ্জিলগী মফম অদুদা ফংখিবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩০২, ৩৭৬, ৩৪গী মখাদা কেস অমা লৌখৎলগা থৌদোক অসিগী মতাংদা চেন্নবশিং ফাগৎনবা থবক লৌখৎখি হায়রি।

পুলিসকী মায়কৈদগী মিসিং রিপোর্ট অদু হেক ফংবগা চিংনবা মীওইশিং ফানবা খোঙ্গুল লীরকপগা লোয়ননা মীশি অসিদা হকথেংননা চেন্নবা মীওই অসিগী মশক ঙরাং খঙদোকপা ঙমখি। লোয়ননা ঙসি নোংঙাল্লমদাইদা মহাকপু ফাগৎখিবনি হায়রি। সিরাজুরনা নরগিসপু হাৎপনি হায়বসি মশানা মরাল য়াজরে হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা চেন্নরিবা মীওইশিং অসিগী মথক্তা লোগী মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎতুনা চৈরাক ফংহন্নবা হোৎনরগনি। মরম অসিনা মীয়াম্না মোবনচিংবা পামদবা থৌদোকশিং থোকহনবীগনু হায়নসু পাউমীশিংগা খৃথাংদা আপীল তৌখি।

চৈরকসিদা নরগিস মীহাৎকা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সীগী কনভিনর অরসদ অলিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা লৈখিদ্রবী নরগিসকী মীহাৎতা চেন্নবশিং পুলিসনা অথুবা মতমদা ফাগৎপা ঙমখিবা অসিগীদমক লমদমসিগী হোমগী চার্জসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর অমদি লিলোং এ সীগী এম এল এ লোয়ননা মরী লৈনবা পুলিস দিপার্টমেন্টকী দি জি পি অমসুং এস পিনচিংবা পূন্নমকপু জে এ সীগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মীহাৎ অসি মী অমখক্তনা চথবা ওইরমগনি হায়বগী থাজবা লৈতে। অতৈ চেন্নরিবশিংসু লৈঙাক্না ফাগৎপীয়ু। মখা তানা করম্না খোঙজং চঙশিনগনি হায়বদুদি জে এ সীনা মীয়ামগা তানরগা লেপকনি হায়খি।

অদুম ওইনমক মীহাৎ অসিদা চেন্নবদগী ফারবা সিরাজুরগী যূম ঙসি অযূক খোইশাওনরবা মীয়াম্না থুগাইরগা মৈ থাখ্রে হায়রি।

## মণিপুর য়াওনা ষ্টেট ৫গী ইলেক্সন...

*লামায় ১গী মখা...* লোইশিল্লক্লবা এসেমব্লিশিংগী মনুংদা উত্তর প্রদেশকীদি খ্বাইদগী থেংনা মথং চহী ২০২২গী মে থাদা লোইগদবনি হায়রি।

লোয়ননা ষ্টেট মঙাগী মীখল পাঙথোক্লমদাইগী মাঙওইননা ওমিক্রোননা পীরক্লিবা চৈথেং অসিগী মতাংদা ঙরাং হান্নগী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর এস ৱাই ক্যুরেসিনা পাউগী এজেন্সী অমদা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি পাঙথোক্লগনি লেপ্পবা ষ্টেট মঙাগী মীখলশিং অসি য়ৈথোকপগী ৱাফম লৈত্রি। করিগুম্বা য়ৈথোকপা তারগদি থৌওং অদু লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনবু ভাইওলেট তৌবা ওইনা থোক্কনি। মসিগী মহুত্তা ইলেক্সন কম্মিসননা মীখলশিং অসি পাঙথোকপদা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা মীয়াম পূনবা/তিনবা, রেল্লিনচিংবা থিংজিল্লবা মতুংদা পাঙথোকফম থোক্লিবা মীখলশিং অসিদি অদুমক পাঙথোক্লগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা ষ্টেট মঙা অসিগী মীখল পাঙথোক্কদবা নুমিৎশিং মথং থাগী অহানবা চয়োলদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী লাউথোরক্লগনি হায়নসু মখা তারি।

## পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলসিদা...

*লামায় ১গী মখা...* চথরিবা থবকশিং অসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ঙাক্তনি। লাক্কদৌরিবা ১২শুবা জেনরেল ইলেক্সনদা বি জে পিনা কোংগ্রেসকা লম্বা তৌগদবা নত্তে। মখোয়দি ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিংগী মখূৎতা মখোয়গী পৱার পূম্বা চৎখ্রগদবনি হায়খি।

লোয়ননা কোংগ্রেসকী ৱার্কিং কম্মিটিগী মেম্বরসু ওইরিবা হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা অনৌবা ইন্দিয়া অসি শাগৎলকপা অমসুং মসিগী থাক অসি য়ৌরক্লিবা অসি পূম্নমক কাউথোক্লগা কোংগ্রেস পার্টিনা করি তৌরিবগে হায়দুনা মখৌ পোংনা ঙাঙ-শক্লক্লিবশিং অসি নোক্লিংই। মখোয়সু নোক্লমগনি। মখোয়না ঙাঙলিবা অসি ওইদ-পাদবা ৱা ঙাক্তনি হায়না খল্লমগনি। মখোয়সু হৌজিক লৈরিবা সিষ্টম পূম্নমক অসি থুগাইদুনা ইন্দিয়া অসি মচোই মচোই তানবা হোৎনরি। বৃটিশনা লোই চল্লম্বা লৈবাক অসি কোংগ্রেসনা অপূনবা ইন্দিয়া অমা শেম্নবা হোৎনখিবনি। অদুবু বি জে পিনা তৌরিবা অসিদি এন্টি নেসনলনি, এন্টি পার্টিনি, এন্টি পিপলনি অমসুং এন্টি দিভেলপমেন্টনি হায়খি।

দেমোক্রেসি খোঙ্গাওনবা অদুগা লৈরিবা প্রিন্সিপল ময়াম অসিবু থুগাইরগা মখোয়না নীংবা থুংলগা লোইরে মতাগুম তৌরিবা অসি মণিপুর অমদি ইন্দিয়া কনসি হায়রগদি কোংগ্রেস পার্টিনত্তনা লৈতে। মরম অদুনা দেমোক্রেসি কনসি, রুল ওফ লো কনসি অমসুং কন্সটিট্যুএন্সি কনসি হায়বগা লোয়ননা খুন্নাই অসিবু ঈং-তপ্পা পূন্না লৈমিন্নবা চাওখৎপা লমদম অমা পুরক্লবা হোৎনসি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদু হৌদোকপদা কোংগ্রেস পার্টিগী ফিরাল 'বন্দে মাটরম' শক্তুনা চীংখৎখি। থৌরমগী মনুং চন্না কোংগ্রেস পার্টিগীদমক থৱায় য়াওনা হোৎনজরম্বা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অমসুং কর্ম্মিশিংগী মফমদা মিনট ২ তূমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা কোংগ্রেসকী ভেটরান লিদর ২৭তা খুদোল পোৎশিং পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। অদুগা লৈবাক অসিনা নীংতম্লকপা চহী ৭৫ শুরকপগী পাউজেল কৌবা কোংগ্রেস পার্টিগী বুকলেট অমসু রিলিজ তৌখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কোংগ্রেসকী লুচিংবশিং, এম এল এশিং, হান্নগী মিনিষ্টরশিং অমসুং পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা পার্টিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবশিং অমসুং ৱার্কর কয়ানা শরুক য়াখি।

## পুলিসকী প্রমোসন অমসুং ত্রান্সফর...

*লামায় ১গী মখা...* প্রমোসন পীরবা এম পি এস ওফিসরশিংদি চুড়াচান্দপুরগী এস দি পি ও কৈশাম বিজয়কুমারনা এদিসনেল এস পি ত্রাফিক (ইম্ফাল ইষ্ট), জিরিবামগী এস দি পি ও থাংজম সনাতোম্বনা এদিসনেল এস পি (ফেরজোল), ৮শুবা আই আর বিগী এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট পুখ্রম সঙ্করনা এদিসনেল এস পি (তমেংলোং/নুংবা), ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস দি পি ও বিদ্যাপতি থিংবাইজমনা অনীশুবা এম আরগী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট, চান্দেলগী এস দি পি ও ওইনাম সুকুমারনা তেংনৌপলগী এদিসনেল এস পি (এল ও), সী আই দিগী দি এস পি (সিক্যুরিটি) জেনি থোইদিংজমনা য়ুনিট অসিমক্কী এদিসনেল এস পি, শীংজমৈগী এস দি পি ও লক্ষমি থিংবাইজমনা এদিসনেল এস পি ত্রাফিক (ইম্ফাল ৱেষ্ট) ওইবদা নত্তনা এদিসনেল এস পি (এদমিনিষ্ট্রেসন), ইম্ফাল ইষ্টকী সী দি ওগী দি এস পি খাইরাইজম হেরোজিৎনা এদিসনেল এস পি/ইম্ফাল ইষ্ট (ওপস) অমসুং এস দি পি ও পোরোম্পাৎ এন সুরজনা এদিসনেল এস পি (এল ও/জিরিবাম) ওইরগনি হায়রি।

অদুগা ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রবশিংনা মঙাশুবা আই আর বিগী ইন-চার্জ সী ও ঐচ বলরামনা স্পেসল এ আই জি (প্রোভিজন), তরেৎশুবা এম আরগী ইন-চার্জ সী ও টি লালবোই হাওকিপনা অনীশুবা আই আর বিগী ইন-চার্জ সী ও, স্পেসল এ আই জি (প্রোভিজন) অমাং হাওকিপনা মঙাশুবা আই আর বিগী ইন-চার্জ সী ও, ১১শুবা আই আর বিগী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট ঐচ কুমারনা অহানবা আই আর বিগী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট, অনীশুবা এম আরগী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট কে দিলিপনা অহুমশুবা আই আর বিগী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট, ককচীংগী এদিসনেল এস পি (ওপস) কে এস ঐচ মনিহারনা এদিসনেল এস পি (এম পি টি সী), ৬শুবা এম আরগী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট দল্লিয়ু মুননা ৮শুবা এম আরগী দেপ্যুটি কম্মিান্দেন্ট, এদিসনেল এস পি/তমেংলোং (নুংবা) এম দি অবদুল কলামনা এদিসনেল এস পি (ওপস/কাংপোকপী), থৌবালগী এদিসনেল এস পি (ওপস) সোইবম সচিদানন্দনা এদিসনেল এস পি (নাব), ৮শুবা এম আরগী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট থিংনাম দেসোরজিৎনা চুড়াচান্দপুরগী এদিসনেল এস পি (ওপস), নাবকী এদিসনেল এস পি শকলেম্বা রাজকুমারনা ভিজিলেন্সকী এদিসনেল এস পি, ইম্ফাল ৱেষ্টকী এদিসনেল এস পি (এল ও) থোকচোম সঙ্করদেবনা থৌবালগী এদিসনেল এস পি (এল ও), এস আই টিগী এদিসনেল এস পি নেপ্রম নেত্রজিৎনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এদিসনেল এস পি (এল ও), ইম্ফাল ইষ্টকী এদিসনেল এস পি (ওপস) রোনি ময়েংবমনা বিষ্ণুপুরগী এদিসনেল এস পি (ওপস), অহানবা এম আরগী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট প্রমেস অরাম্বমনা ইম্ফাল ইষ্টকী এদিসনেল এস পি (এল ও), তেংনৌপলগী এদিসনেল এস পি (এল ও) সাংবোই গাংতেনা ৭শুবা আই আর বিগী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট, সেনাপতিগী এদিসনেল এস পি (এল ও) থোলু রোকিনা কাংপোকপীগী এদিসনেল এস পি (এল ও), জিরিবামগী এদিসনেল এস পি (এল ও) হৈস্নাম বাসুলালনা অনীশুবা এম আরগী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট, বিষ্ণুপুরগী এদিসনেল এস পি (ওপস) ওক্রমচা ৱাংখোম্বনা থৌবালগী এদিসনেল এস পি (ওপস), দি জি পিগী এস ও সৈত্যম তখেল্লম্বমনা বিষ্ণুপুরগী এদিসনেল এস পি (এল ও), সী আই দিগী এদিসনেল এস পি (সিক্যুরিটি) বিনোয় চোংথামনা ককচীংগী এদিসনেল এস পি (ওপস), ইম্ফাল ইষ্টকী এদিসনেল এস পি (এল ও) মোইরাংময়ূম বিশ্বরজিৎনা অহানবা এম আরগী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট, ককচীংগী এদিসনেল এস পি যুম্নাম জয়রাজনা অহানবা এম আরগী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট, ইম্ফাল ৱেষ্টকী এদিসনেল এস পি অমরজিৎ লমাবমনা চান্দেলগী এদিসনেল এস পি (ওপস), ইম্ফাল ৱেষ্টকী এদিসনেল এস পি ত্রাফিক অমসুং এদিসনেল এস পি এদমিনিষ্ট্রেসন পুরকখিবা তায়েঞ্জম বিশ্বজিৎনা এদিসনেল এস পি এম পি টি সী ওইবগী মথক্তা এদিসনেল এস পি (সী এম টি দব্লিয়ু), নোনেগী এদিসনেল এস পি সয়েদ সমির অহম্মদনা উখ্রুলগী এদিসনেল এস পি (ওপস), চান্দেলগী এদিসনেল এস পি (ওপস) অগষ্টাইন জাংমিন্থাং খোংসাইনা ককচীংগী এদিসনেল এস পি, উখ্রুলগী এদিসনেল এস পি (ওপস), রিংথিং হোংচুইনা কামজোংগী এদিসনেল এস পি, কাংপোকপীগী এদিসনেল এস পি (এল ও) থাংখোচোন হাওকিপনা সেনাপতিগী এদিসনেল এস পি (এল ও), চুড়াচান্দপুরগী এদিসনেল এস পি (ওপস) লোরেন্স কপখেনমাং মুনলৌনা নোনেগী এদিসনেল এস পি (ওপস), ইম্ফাল ইষ্টকী এদিসনেল এস পি (ত্রাফিক) যুম্নাম প্রেমজিৎনা তেংনৌপলগী এদিসনেল এস পি (ওপস) ওইবগা লোয়ননা তরুকশুবা এম আরগী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট অমসুং পি ঐচ কুন্দা এদিসনেল এ আই জি (হেদ ক্বার্টর/ওপস) কী থবক পুরকখিবা রোজিৎ ইরোমনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এদিসনেল এস পি (ওপস) কী থবক পুরগনি হায়রি।

## হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী গাইদলাইনশিং ইন্দবা ...

*লামায় ১গী মখা...* মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী সেক্রেটরিনা থা অসিগী ২১দা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি পূম্নমক্কী চীফ সেক্রেটরিশিংদা ইদুনা পীরকখিবা ঙাক্লা চৎকদবা 'নেসনল দিরেক্টিভস ফোর কোভিদ-১৯ মেনেজমেন্ট' গী ৱাফমশিং ঙাক্লা চৎত্রবদি লোগী ওইবা থবকশিং লৌখৎলগনি হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রনা থা অসিগী ২১দা পীরকখিবা এদভাইজরিশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্কদবনি। অদুগা চেরোল অদুদা লোয়নরকখিবা (এনেক্সচর-২) দা য়াওরিবা নেসনল দিরেক্টিভশিং অদুসু থবক্তা ওন্থোক্কদবনি। মসিগীদমক মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট পূম্নমক্না লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপগা লোয়ননা য়ারিবমখৈ ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদ, ১৯৭৩গী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চৎনহনগদবনি হায়রি।

অদুগা কনাগুম্বা মীওই অমনা ঙাক্না চৎকদবা নেসনল দিরেক্টিভশিং অসিবু থুগাইরক্লবদি দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্টকী সেক্সন ৫১দগী ৬০ ফাওবগী মনুংদা য়াওরিবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না চৈরাক পীগনি অদুগা মসিগী মথক্তা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ১৮৮ অমসুং অতৈ এপ্লিকেবল ওইবা লিগেল প্রোভিজনশিং শীজিন্নদুনা চৈরাক পীগনি হায়রি। ঙরাংগী হোম দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী থোরক্লিবা ওর্দর অসি জন্যুৱারী ৩১, ২০২২ ফাওবা চৎনগনি হায়রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী মায়কৈদগী পীরকখিবা কোভিদ মেনেজমেন্টগী নেসনল দিরেক্টিভশিং অদুদা য়াওরিবা ৱাফমশিংনা অহানবদা মীয়াম তিনবা মফম/থবক মফম অমসুং চৎথোক চৎশিন তৌরিঙৈগী মতমদা শোয়দনা ফেস মাস্ক উপগদবনি। মী অমগা মী অমগগী মরক্তা য়ামদ্রবদা ফিট ৬কী সোসল দিষ্টেন্সিং শোয়দনা ঙাক্কদবনি। দুকানশিংনা মখোয়গী কষ্টমরশিং লাকপদা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্কদবনি। মীয়াম তিনবা মফমদা তিন শিৎপা য়ারোই। করিগুম্বা অথিংবা অসি থুগাইদুনা তিন শিৎলবদি ফাইনগা লোয়ননা চৈরাক পীগনি অমসুং থবক মফমশিংদনা য়ারিবমখৈ 'ৱার্ক ফ্রোম হোম' (দব্লিয়ু এফ ঐচ) কী সিষ্টমদা চত্থগদবনি। মীয়াম্না চঙথোক চঙশিন তৌবা মফম পূম্নমক্তা থর্মেল স্কেনিং/হেন্দ ৱাশ নৎত্রগা সেনিটাইজর শীজিন্নগদবনি। থবক মফম/কম্মন ফেসিলিটিশিংদা য়াম্না তোয়না সেনিটাইজেসনগী থবক তৌগদবনি। থবক মফমশিংদসু থবক শুমিন্নরিবা মীওইশিংগী মরক্তা সোসল দিষ্টেন্সিং নিংথিজনা ঙাক্কদবনি হায়বসিনি।

অমরোমদা, ঙরাং থোকখিবা ওর্দর অসিগী মতুংইন্না ঙসি তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনসু মাগী মাগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা ৱাফম অসি ঙাক্না চৎনহন্নবগীদমক সী আর পি সী, ১৯৭৩গী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবশিং থমজিনবগী ওর্দরশিং থোকপা হৌনখ্রে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট রঞ্জন যুম্নাম্না ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অপূনবদা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা থম্লে হায়দুনা লাউথোকখ্রে।

# জন্যুৱারী ৩দগী চহী ১৫দগী ১৮ফাওবগী...

*লামায় ১গী মখা...* ৱার্কশোপতা য়ুনিয়ন হেল্থ সেক্রেটরি অসিনা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী মরী লৈনবা ওফিসল পূম্নমক্তা খঙহনখিবনি।

ভর্চুএল মোদতা পাঙথোকখিবা রিভিয়ু ৱার্কশোপ অদুদা য়ুনিয়ন হেল্থ সেক্রেটরিনা অঙাংশিংদা হীদাক কাপথোকপা হৌনবগী ৱাফম অসি খঙহনখিবগা লোয়ননা ভলনরেবল কেটেগোরিশিংগী মনুং চল্লিবা হেল্থ ক্যের ৱার্কর (ঐচ সী দব্লিয়ু), ফ্রন্ট লাইন ৱার্কর (এফ এল দব্লিয়ু) অমসুং কো-মোর্বিদিটি লৈবা মশাগী চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদনা প্রিকোস্নরি দোজ (৩শুবা দোজ) কাপথোক্কদবনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

চহী ১৫দগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংগী ওইনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি পূম্নমক্তা শুপ্নতগী 'কোভেক্সিন' খক্তমক কাপথোক্কদবনি। লোয়ননা হায়রিবা চহী কাঙলূপ অসিগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা হীদাক মখল অসি কাপ্পবগীদমক কোভেক্সিনগী অহেনবা দোজশিং ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি পূম্নমক্তা পীরগনি হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা অহেনবা কোভেক্সিনগী দোজশিং ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা সপ্লাই তৌবগী থবক অসি য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোক্লগনি হায়বগা লোয়ননা হায়রিবা চহী কাঙলূপ অসিগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংনা জন্যুৱারী ৩দগী হৌরদুনা হীদাক অসি কাপথোক্লবগীদমক মখোয় মশা মশামক জন্যুৱারী ১দগী হৌরদুনা কো-ৱিনদদা রেজিষ্টর তৌবা নৎত্রগা জন্যুৱারী ৩দগী হৌগদবা ভেক্সিনেসন পাঙথোকফমশিংদা মশা মশা লাক্তুনা রেজিষ্ট্রেসন তৌরগদবনি হায়রি।

হীদাক কাপথোক্কদৌরিবা অঙাংশিং অসিগী মনুংদা কুমজা ২০০৭ অমসুং মসিগী মমাঙদা পোকপা অঙাং পূম্নমক কেটেগোরি অসিগী মখাদা কোভেক্সিন কাপথোকপা য়ারগনি হায়খি।

লোয়ননা চহী ১৫দগীনা ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা হীদাক কাপথোকপগী চথুগদৌরিবা থবকশিংদা প্রোটোকোলশিং নিংথিজনা ঙাক্কদবনি। হীদাক কাপত্রিঙৈগী পুঙ্খায় অমগী মমাঙদা অঙাংশিং অদুবু এ ঈ এফ আইগীদমক মোনিটর তৌগদবনি অদুগা অহানবা দোজ কাপ্পবা অঙাংশিংনা নুমিৎ ২৮নিগী মতুংদা মখোয়গী সেকেন্দ দোজ অমুক কাপথোক্কদবনি হায়রি।

চহী কাঙলূপ অসিগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা হীদাক অসি কাপ্পবগীদমক অখন্ননা কোভিদ ভেক্সিনেসন সেন্টর (সী ভি সী) শিং শেমদুনা থমগদবনি। অদুগা হীদাক কাপথোকপগী থবক অদু কো-ৱিনগা শম্নহনগদবনি। অঙাংশিংদা হীদাক কাপথোকপগী থবক্তা করিগুম্বা মখল অমত্তগী চমম্ন বা থোকহল্লোইদবনি। অদুগা হীদাক কাপফম অদুদা অতোপ্পা চহীশিংদা লৈবা মীওইশিংসু কাপ্পা তারগদি অঙাংশিং অসিগীদমক তোঙানবা ভেক্সিনেসন টিম থম্বগা লোয়ননা মখোয়গীদমক তোঙানবা ক্যু সিষ্টম থম্বীগদবনি হায়খি।

অমরোমদনা প্রিকোসন দোজ কাপ্পবগীদমক্তদি কোভিদ ভেক্সিন সেন্টরশিংদা মসিগীদমক প্রেস্ক্রিপসন/সর্টিফিকেটকী তঙাইফদবা লৈরোই অদুগা হায়রিবা প্রিকোসন দোজ কাপ্লগদবা মীওইশিং অদুদা কো-ৱিনগী মায়কৈদগী হীদাক অসিগী অহুমশুবা দোজ কাপ্পবগীদমক রিমাইন্দর মেসেজ শিং থাগনি হায়রি।